# অতোপ্পগী পিরাং

শেরাম নিরঞ্জন



CamScanner

**Atoppagi Pirang**
a collection of Manipuri Poetry, Written by Sheram Niranjan
Published by E-naat Publications, Sylhet
on Rasa Purnima, 26th November 2004.

**অতোপ্পগী পিরাং**

শেরাম নিরঞ্জন

**অহানবা ফোঙবা**

রাস পুর্ণিমা

নভেম্বর ২৬, ২০০৪

**অফোঙবা**

ঈনাৎ পাবলিকেশন্স

ছায়াতরু-৪, লামাবাজার, সিলেট, বাংলাদেশ।

**লাইরিক ফঙফম**

বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদকী

সেন্ট্রাল কমিটি অমসুং ব্রাঞ্চ কমিটিশিং

© মিলনী দেবী

**মখুম অমসুং স্কেচ**

এন যোগেশ্বর অপু

**ময়েক নম্বা**

ঈনাৎ পাবলিকেশন্স

**লাইরিক নম্বা**

খান অফসেট প্রেস, সিলেট।

**মমল**

৪০ টাকা (বাংলাদেশ)

৩৫ রুপী (ভারত)

অৱাবা করিনো তম্বীখিবা
পিরাংগী মমল তাকপীখিবা
পলেম-পন্থৌগী খূয়াখাদা

CamScanner

## য়াওফম তাকপা

### মোংফম লৈপাক মণিপুর

ফাদোক তারবা ৱাখল অমা-৯ / কংলা শা অমা-১০
ঈশৈগী থৌরমদুদা-১১ / ১৮ জুন ২০০২-১২
১৮ জুন ২০০৩-১৩ / তোখায় তারবা থম্মোয়দগী-১৪
ৱাহং- ১৫ / থৱায় লৈগেরা থৱায়-১৬
ভারত সরকারগী চেরোল অমদগী -১৭ / মণিপুর কৌবা মোংফম লৈপাক-১৮
ঐদি লমদমসিদা লৈহৌরনি-১৯-২০

### পুন্সি অমা-অৱাবা কোকথোং অমা

নুমিদাংগী অরোনবা মৈচাক মরক্তা-২৩ / লুখাকলা-২৪
অৱায়বা থম্মোয় মরক্তা-২৫ / অক্মা-২৬
ৱাহং-২৭ / নোংলৈ নুংশিৎ -২৮
শক্তম-২৯ / মীহুৎ থোং-৩০
উচি তিংগাবী অমসুং অতৈ অতৈ-৩১ / পিরাংগী মিরাং মহুম-৩২
খাংঙমদ্রবা ঈৱাওখোল-৩৩ / অদুঙৈগী কৌব্রুদো-৩৪
নোংমা ঐখোয়না-৩৫/ নুংশিরবা পুঙগী মখোল-৩৬
চাকহৈদ্রবা থম্মোয় চাকথেক্ই -৩৭ / চমন্নরবা ৱাখলগী মৈখ্-৩৮
খংঙি-৩৯ / ঈহৌফম-৪০
.লোইনাইদ্রবা পেবেৎকী ৱারীগী অরোইবা তাঙ্কক-৪১ / থুগাইয়ু-৪২
ননস্টপ সার্ভিস-৪৩ / চীননা শিবগী অকিবনা-৪৪
মতমগী হরিনাম-৪৫/ মণিপুর লৈমা-৪৬-৪৮



# মোংফম লৈপাক মনিপুর

(২০০৩ জুনগী তাং ১৩ দগী ২১ ফাউবগী সনা লৈপাক খোঙচৎ মতমদা ইখিবা)

CamScanner

## ফাদোক তারবা ৱাখল অমা

অঙনবা অয়ূক্লী হৌজিক। বসতগী কুমথরক্লি গুডউইল মিশনগী মীহুৎ কুম্থ্রামঙা নোংমদোন চীংগী চীংদোনদা। থোরক্লী অয়ূক্লী ঙাঙ্ঙানবা নুমিৎ খোয়থুম্নরবা মঙালগা লোয়ননা। হায়নৈ ময়াম্না- অস্, ফজৈদকো ওম্থোক্লা সনা লৈপাক্কী সনা মচুগী নুমিৎসিনা শংবানরবা চীংগী চীংচেপ্তগী মঙাল ফুদোরকপদি...

অদুবু ঐগী মীৎতদি লম্মৈগুম উখি নুমিৎতুবু
মাইকৈ পুম্বা শিনথুংনা চাকথেক্লক্কদবা লম্মৈ...

লম্মৈ চাক্লবা চীংচেপ্তুদগী চেন্নিংলকখি...

মাইকৈপুম্বা মৈ হৌদুনা
তাংগোই ওল্লবা মণিপুরসিদা
কদোমদনো ঐনা চেনগদবা ?

নোংমদোন চীং, মণিপুর
১৫ জুন, ২০০৩

## কংলা শা অমা

মণিপুর চাগে চাও, নীংতম্বা চাগে চাও
ঐবুতদি চাবিনু–
খল্লম্মী কংলা শা অদুনা।

নোংমা নোংমগী মোৎশিল্লক্লবদা লোক্তাক মীংশেলনা
নোংমা নোংমগী কায়থরক্লবদা মণিপুর সনা শক্তন্না
নোংমা নোংমগী মমশিল্লক্লবদা পোৎলোইবগী মৈখুনা
খল্লকখি কংলা শা অদুনা–
ঐদি কৈদৌরুনি হিংলুদুনা।

লাওরকখি খোঞ্জেল হৌনা–
ঐবু হাৎলু, ঐবুসু হাৎলু
ঐবু কনাগীদমক হিংহল্লিবনো ?

ইম্ফাল, মণিপুর
১৯ জুন, ২০০৩



CamScanner

# ঈশৈগী থৌরমদুদা

নখোয়না শক্তি ফজরবা শৈশক্লা ফজরবা ঈশৈ কয়া
অদুবু ঐগী নাকোংদা য়ৈররি নাহেখোল ওইনা
অঙকপা নত্রা অসিবু ?
হরাওনা খুরিবা খুবাক ভাবোক ময়াম্না
অদুগা ঐনা তারি নোংমৈগী মখোল ওইনা।

পেন্দ্রবা পুন্সিগী নুংশাস্বরনা
বসন্তগী মলয়া ওইনা হুম্লিবা মণিপুর'সিদা
ঙক্লিঙায়বুদি করি লৈবগে থৌদোক অসিদা।

ইম্ফাল, মণিপুর
১৭ জুন ২০০৩
(মণিপুর আর্ট এন্ড মিউজিক কোলেজকী ঈশৈগী থৌরম'মদা)

## ১৮ জুন ২০০২

মী-না মীবু ওৎপনদা হৌনবী ওইরবা
মী-না মীবু হাৎপনদা ধর্ম ওইরবা
হিংসানা পুময়োম য়োম্লবা পৃথিবীসিদা
করম্বনো ঐনা হিংগদবা ?

মীওইবনা মীওইবগী নীংতম্বা মাংহল্লিবা
মীওইবনা মীওইবগী পুন্সিবু তমথীহল্লিবা
অফবগী য়ুম্ফম লৈত্রবা খুন্নায়সিদা
করম্বনো পুন্সি অসে লেনগদবা ?

নত্রগা হিংবা তারিবরা মীওইবগী হকপৃম্বা কথোক্কুনা
হিংবা তারিবরা ইশাগী নীংতম্ববু কাওথোক্কুনা
অৱায়বা থৱায়শিংবু কীদুনা
বোম-নোংমৈবু খুরুমদুনা

নত্তে, মদু ওইথোক্তবনি
মীহিংচাশিংবু শিংনবগীদমক পোক্লকপনি ঐদি
পোইরৈ ঙমখৈ ঙাকপগীদমক
নীংতম্বা, ফজরবা পুন্সি অমগীদমক
পোক্লকখিনি হন্না হন্না
কথোকখিনি পুন্সি কয়া কয়া...

কেক্রুপাৎ, মণিপুর
১৮ জুন, ২০০৩

## ১৮ জুন ২০০৩

অকনবা ঈশিং নোংলৈ অমনা
পুনশিনহল্লি চোইজাইনরবা ৱাখল ময়াম্বু
চোইজায়নরবা ৱাখলগী মী ময়াম্বু ;
অদুগা
ঈশিংনা হন্থখিবদা
অমুক্কা চোইজায়ননা তাহৌরি কোংগ্রেংগুম
পুনশিনখিবা ৱাখল ময়ামদো–
খর'মনা কেক্রুপাৎতা
খর'মনা জিএম হোলদা।

জিএম হোল, মণিপুর
১৮ জুন, ২০০৩

## তোখায় তারবা থম্মোয়দগী

১. ঐদি লালহৌবনি
য়াওল্লুপকী লান্মীনি
ঈমা লৈপাক নীংতম্বগী।

অদুগা মহাক্তি ?

লান্মীনি মহাকসু নীংতম্বগী
ঐগা ব্রাখল তিন্নদবগী ব্রার্তনি
ব্রাখল তিন্নদবনা কাপ্নবনি।

২. সনা লৈপাক-
নীংতম্লে ফরে, মীখা পোল্লে ফরে
ব্রাখল তিন্নদবা কাংবুগা
পুনবদি ওইফদে।

ঈরৈপাক্কী নীংতম্বদা
মখোয়গী শরূক য়াওদৌ মহুৎ
মীখা পোননা লৈজগে
মীহাৎ মীচৈ তাজগে।

হোটেল এক্সেলেন্সি, ইম্ফাল
১৯ জুন, ২০০৩

# ৱাহং

মণিপুরবু নীংতমদে হায়রিবা করিগীনো?

মনীংতম্না
হাৎনরিবসিদি
নীংতম্বা
নৎত্রো?

ইম্ফাল
১৫ জুন, ২০০৩



CamScanner

## থৱায় লৈগেরা থৱায়

থৱায় লৈগেরা থৱায়
মখল মথেলগী থৱায় লৈজে
থৱায় লৈগেরা থৱায়...

অহলগী থৱায়
অঙাংগী থৱায়
পাখংগী থৱায়
লৈশাগী থৱায়
থৱায় লৈগেরা থৱায়...
নোংমৈনা শোকপা, বোমনা পোকখায়বা
মীওৎ মীনৈদা হকচাংগা খায়নখিবা
থৱায় লৈগেরা থৱায়...

হকচাং পোল্লাংগা খায়নবতা ঙায়রিবা তগৎ তগৎ তেকপা
মরৈপাক নিঙবা থৱায় কয়া য়াওরী ঐগী পোৎয়োমদা
থৱায় লৈগেরা থৱায়...

হোটেল এক্সেলেন্সি, ইম্ফাল
১৯ জুন, ২০০৩

## ভারত সরকারগী চেরোল অমদগী

নোংমৈ মখোল অমগা
অশিবা হকচাং অমগা...
নোংমা নোংমগী অসিনা ওইরক্লবদা হৌনবী–
কয়ানিনো মণিপুরী নখোয়না হিংখিগদবা
কয়ানিনো চঙগদবা সনা লৈপাক উৎ ওলহনবদা

সনা লৈপাক খুন্তাকহনগে
মণিপুর মীংলেন মাঙহনগে
নীংতম্না লৈরুচৌ লাইরৈপাক্তা
নীংতম্বা পাম্বা মণিপুরীশিং।

হোটেল এক্সেলেন্সি, ইম্ফাল
২০ জুন, ২০০৩

# মণিপুর কৌবা মোংফম লৈপাক

মোংফম অমা,
নত্তে লৈপাক অমনি
মোংফম ময়াম্না শেম্বা লৈপাক ;
সনা লৈপাক্কি হায়নরম্মি মতম্মদা
হৌজিক্কা হায়বা য়ারে মোংফম লৈপাক...

মোংফম লৈপাক্কুদা় কোয়বা চৎলুই ঐসু নোংমা
শরূক য়ারকখি থৌরম কয়াদা
উন্নরকখি অশিবা থব্রায় কয়াদংগা
তাবা ফংলকখি নুংশিত্তা চুশিন্দুনা লৈরবা
তেংথাখোল, নাহেখোল, বোম-নোংমৈগী মখোল কয়া
উন্নরকখি সনা কোনূংদা
হিংনা হিংনা শিরবা ঈনিংথৌগা...

মোংফম মরাং কায়বা লমদমনিনা
মরাং কায়না শিনরে- শিনিংঙবসু, শিনিংদ্রবসু...

ঙায়খিবা তারি ঐদি
মোংফমসিনা
সনা কোনূং ওইরকখিবা মতমদু'ফাউ...

অদুবু
করম্বা মতমদনো ?

হোটেল এক্সেলেন্সি, ইম্ফাল
২০ জুন, ২০০৩

# ঐদি লমদমসিদা লৈহৌরনি

ঐ হল্লরোই অমুক বাংলাদেশতা
লৈহৌরগে সনা লৈপাকসিদা
ঐগী ইপা-ইপুগী হৌরকফম লমদমসিদা
ইপুধৌ পাখংবগী কংলৈপাক্তা

ঐগী লাইরবী ইমা লৈপাক্কী
ফজরবা লোক্তাক ঈপাক্তা চাক্তাজরিবা উচেক্লুম
ঐসু লৈজগে কনামত্তদা য়েত্তনা, কনাগীসু অপনবা তৌদনা
চীংলেনস্নাগী থৌনাগী স্মৃতি খোংজোম তোর্বানসিদা
নত্রগা চুড়াচান্দপুরগী চিক্লবা চীংলমদা
প্রকৃতিগী লাইরেম্বীগী মথাদা
হিংজহৌরগে নীংতম্না খরনিদং।

ঐবু কীহনগনু,
সনা লৈপাক উৎ ওল্লে, মোইরাং খুঙ্গা মীখা পোল্লে– হায়দুনা,
ঐসু খংঙি, ঐসু খংঙি মদু।
অৱা-মৈশানা চাকথেক্লবা সনা লৈপাক্লা ওইরক্কদবনি
নোংমদি শোয়দনা অশেংবা সনা,
ঙাঙ্গ্রানবা নুমিৎকী মঙালদা শোয়দনা মাঙখিগনি
অমম্বা লৈচিলগী অৱাবা ।
ঐ ঙাইহৌরগে,
তমথীরবা লম্মৈনা চাকথেক্লবা অকংবা উজাউদা
য়েন্নীং হুল্লকপা নুমিৎতুফাউ।
ঐ ঙাইহৌরগে,
ঐ হল্লরোই বাংলাদেশতা।

নোংমদোন চীংগী চীংদোন্না সাক্ষীনি
লৈকংলাগী মৈশা খাংলিবা শ্রীগোবিন্দজীনা সাক্ষীনি
ঐ চৎলরোই সনা লৈপাক থাদোক্কুনা
ঐদি লমদমসিদা লৈহৌরনি
ইমা মণিপুরগী মথাদা নাওকোনদুনা...

অদুবু, হনখিবা তারে ঐদি বাংলাদেশ তম্না ঙসিদি;
ঐগী সনা লৈপাক্লা নুংশি খোম্থাংদা হায়বিখিদে




CamScanner

পিরাংনা থুক্ষৎলবা মীৎস্লানা য়েংলক্কুনা ঐঙোন্দা-
'লৈহৌরোদনা নঙবু, চৎখ্রনু হায়বা কৈদৌগে ।'
হায়বিখিদে পোইরৈ মপারী মমোম কনামত্তনা,
ঐবু বিদায় পীবগী থুংলরে ময়াম হোটেল এক্সেলেন্সিগী রিসিপসন্দা।
চৎলগেকো, নুঙায়না লৈহৌরো...

থাদরমগে ঐগী থম্মোয় শোক্লবা পিরাং চদুম অমত্তং
নঙগী উফুল মরক্তা অঞ্জুলী ওইনা
লৌশিনবিয়ূ লাইরবী ইমা
নঙগী নুংশি হৈবী থম্মোয়না...
ৱারৌগনুকো...বিদায়...

বিদায়, নুংশিবী মণিপুর।

হোটেল এক্সেলেন্সি, ইম্ফাল
২১ জুন, ২০০৩



পুন্নি অমা—অৰাবা কোকথোং অমা

CamScanner

# নুমিদাংগী অরোনবা মৈচাক মরক্তা

অমুবা ক্বাক খরনা সেগায়বগী লাক্লরি ঐগী থম্মোয়বু,
অতুম্বা মচিন্না—
ঈ-দি থোকহনবা ঙমদে অদুবু ;
মরমদি
ঐগী থম্মোয়নুংদা ঙাল্লি মঙলানগী মঙাল অমা।

অচৌবা নুঙ অমনা নল্লরি ঐগী থবাক্তা,
অদুবু ঐদি নিঙায়দনা হিংলি হৌজিকসু পৃথিবীদা ;
মরমদি
লোৎতুনা লৈরি ঐগী থম্মোয়নুংদা-ৱাখলদা-আত্মাদা
হিমালয়গুম্বা চীং অমা।

অতিয়াবু শোক্কে খল্লুদে ঐ
নিঙলুদে সমদ্রুবু খুজোক মনুঙ চলহনগে,
ঐনা পামজবদি হিংজবতনি- ইচম চম্না
করাম মীনোক য়াওদনা।

অদুননি ঐনা নুমিদাংগী অরোনবা মৈচাক মরক্তা
নিঙায়দনা হিংদুনা লৈথোকল্লিবা।



CamScanner

# লুখাকলা

ঐগীসু লৈরম্বনি ফজরবা পুন্সি অমা
নিংশিংঙি লাতোন ওইনা মালংগী তমথাদা হাই-হুন্না শান্নরম্বা...

নুংশি হৈতনা কথৎপীখি ঐবু নখোয়না
লাইগী প্রসাদ হাপ্তুনা হরি মন্দিরদা চন্নখি ঐ,
অদুবু হৌজিক্তি লুখাককোমদা...

ঐবু ঈশিংনা চামথোকপীবা, থোৎনা নৌনা তৈথোকপীবা
পুন্নমক নখোয়গী পূণ্যগীদমক...
ঐগীদি পুন্সি মতোন লোমজবনি

নখোয়গী পূণ্যগীদমক
ওইজবনি ঐদি লুখাকলা।



CamScanner

## অৱায়বা থম্মোয় মরক্তা

অৱায়বা থম্মোয়না ৱাই চাইরবা
মালেমসিদা
হিংনবা হোৎনরুবা অশেংবা থম্মোয়না
পাইদুনা লৈরম্মি নোংমা
নাকেনথা'গী উনাগুম
লাংতক্লনা...
অৱায়বা থম্মোয়শিংনা বখান তৌনরম্মী—
তেলঙ্গাগুম পাইরিবসে থম্মোয় অমা,
ফজদ্রা য়েংঙু !

অৱায়বা থম্মোয় মরক্তা
অশেংবা থম্মোয়দো
লংলা য়াওদ্রবা তেলঙ্গাগুম
হাই-হুমদুনা লৈহৌরি...

# অম্মা

I do believe
Neither in hell Nor in heaven.

চহি তরাগী পূণ্য ময়াম পূল্লগা ফংলকপনি
নুংশিবা মাইথোং অদুবু, ফজরবা থম্মোয় অদুবু...

অচুম্বনি, ঈশ্বরদি মীনি
নত্রগা, মীদি ঈশ্বরগুম্বনি...

মীওইবনা পীবা ঙম্মি নুঙায়বা, য়েংহনবা ঙম্মি স্বর্গগী লম্বেল
মীওইবনা পীবা ঙম্মি থম্মোয় শোকপা অৱাবা, নরককী মৈশা...

ঈশ্বরগা-মীগা খেন্নবা করিদনো ?

# ৱাহং

চথোক চৎসিন তৌবতা নত্তে
মাইকৈ মাইওন খঙদনা;
য়েংজবনি গ্যালাক্সীবু, অতিয়াগী থৱান মীচাকপু
ফিগাওদা মৈরিক য়োমদুনা পাইরিবা নুমিৎ
নুমিৎকী মঙালনা ঙানজরীবা নিংথিরবা থাজ
পুন্নমক ঐগী মীৎকী ৱাদার মনুঙদনি

চাকথেকহল্লী ইশাবু, মীৎ অনিবু
থম্মোয়বুসু
ঈখেংনা পিরাং ওইনা শিন্থরকই
অদুবু
নঙগী ফজরবা মাইথোংবুদি ফংখিদে উবা
করিগীনো ?
নঙবু করম্বা গ্যালাক্সীদনো ?



CS CamScanner

## নোংলৈ নুংশিৎ

শোক্লনু কৈদৌনুংদা
লৈরাং নত্রগা নুজা হকচাং
কাউগনু. বসন্তগী লিরি হুম্বা মলয়া
মতম য়ৌরকপদা ওইখিবনি নোংলৈ নুংশিৎ

তমথীরবা নোংলৈ নুংশিৎ
পৃথিবীবু শুরু শুরু নৈহৎঙম্বা

## শক্তম

মনুঙ মনুঙদা ঐসু খঙবা ঙমখি,
স্বর্গগী অঙাং
ঈরোইরি সমদ্রুগী ঈশিংদা...

অতিয়াদা পাইদুনা
লোয়নাইদ্রবা অতিয়াবু শোক্লুবা
অতিয়ানা পাইরি অতিয়াদা নোং ওইদুনা
অতিয়াগী অহাংবদা তাউরি মঙালগী অঙাং ময়াম

অসিদা সমদ্রু লৈ, লৈ সমদ্রুগী ঈরাওখোল...

স্বর্গগী অঙাং ময়াম
ওইরকই নরক্কী শা...



CamScanner

# মীহুৎ থোং

মীহুৎ থোংশিংনা য়েংদুনা লৈ
মীওইবনা হিংদুনা লৈবা
হিংনবগী লানফমদা শান্নরিবা লীলা ময়াম
নোকই মীহুৎ থোংনা মচিন খুমদুনা তুমিন তুমিন...

মীনদি উদে
উবা ফংঙি মীহুৎথোংনদি
মীওইবগী মরাইবক
পোকপা
শিবা
অমসুং মরক্কী লীলা ময়াম
তাৎ ময়াম...

মীহুৎ থোংনা ৱাকৎলি নুমিদাংগী অমম্বদা
নোকমিন্নে মখোয় মশেন
কপ্পি মীওইবনা...



CamScanner

# উচি তিংগাবী অমসুং অতৈ অতৈ

ঐখোয়গী পিক্লবা পৃথিবীগী ঈ-না ঙাংলবা থম্মোয় ময়াম... সমদ্রুগী কোঙ্গোন-পিরাং... চাকথোংশংদা উচি তিংগাবীগী থৌচিল্লবা শাজৎ... কৈদৌরুনি চমেস্কি পারুদুনা... পৃথিবীনা তাবিদে ঈ-না ঙাংলবা থম্মোয়গী তেংথাখোল... চাকথোংশংগী পুখম তেংগোৎ মপু মশক খঙদ্রবা... লোৎতুনা থম্মী উচি তিংগাবীবু... কে-কোৎ লোৎপী শান্নে উচি তিংগাবীনা।

লৈবাক ওনখিগদৌবা হকচাংবু করি কান্নগনি শোক্লুদুনা... উৎ ওনখিদৌবা মাইথোংবু করি কান্নগনি য়েংলুদুনা... খঙহৌদনা পাইখিগদৌবা থম্মোয়বু করি কান্নগনি নুংশিবা তম্বিরুদুনা... ইবুঙো চমেস্কি লাও, কে-কোৎ লোৎপী শান্নরুসি উচি তিংগাবীগা...

পৃথিবীগী লাইবক থীরবী চেক্লা ময়াম
থম্মোয় পেন্না পাইজহৌরো
থকচহৌরো সমদ্রুগী কোঙ্গোন পিরাং...

# পিরাংগী মিরাং মহুম

করম্বা দিকন্সট্রাকশননা নঙনা ঐবু উশিৎত্রিবা, কপ্লিংবা ফাউবা ৱারী অসি করম্বা মরম্না থোকখিবনো খঙবা ঙমদ্রবসু করিগীনো নঙনা নুংশিরম্বা ঐবু খঙখি অদুবুদি নুংশিবগী দেফিনেশন খঙদ্রিঙৈ খঙখি অদুনা কাইনবগী দিকন্সকট্রাকশন। থম্মোয়দা ফাউরিবা মেটাফিজিক্যাল ৱাখল ময়াম, নাকোংদা তাবা ফংখিবা মহাকালগী ৱারী ময়াম, করম্বা ফিলসফিগী মখা পোনবনো ৱাখল খনবদা অৱাবা ওইরবা ঐগী ৱাখল... নত্রগা ম্যালথাসগী থিওরীগুম মশিং য়ামখৎলক্লিবা পেন্দবা ময়াম... নত্রগা ৱাখলগী ৱারেপ্তবা ৱারী ময়াম খনবদা তুজুংবদি নত্তবা অদুগা তরাই তরাই খন্দোকপসু ঙমদবা, করম্ননো ঐনা কাউগদবা...

থম্মোয়গী ইউটোপিয়া মরক্তা অশেংবা থম্মোয়না পিরাং শিন্থবা... পিরাংগী মিরাং মহুম মরক্তা ঐনা কপ্পা ঙমখিদবগী ৱারীদো লীবা য়ারবনি ঙসিদি, অদুবু করিদি কান্নরুগনি লীরুদুনা... নত্রগা কনাদা লীরুগনি... কান্নবা থীরুবগীসু লৈত্রে কান্নবা।

থম্মোয়গী ৱারী তোক্তুনা... নত্রগা পিরাংগী ৱারী তোক্তুনা তাবিরসি পুরানগী ৱারী অমা...

লোয়নাইদ্রবা ৱারী...

## খাংঙমদ্রবা ঈরাওখোল

ঈরাওখোলদা মীৎকী লৈনা
তুম্বা ঙমদবনা চাকথেকখ্রে ফমুং
ঙসি ঐগী লৈত্রে পোথাফম

খংঙি, লৈনা'সিনা চাকথেক্কনি ঐগী পুন্সি
ঐগী ইপাপতগীরা অসিবু
নত্রগা নঙগী নপাপ?

হকচাংগী ঈরাওখোলসিবু ঈশ্বরনা শেম্বা নত্রা
অদুদি ঈশ্বরগী মপাপনি
পাইরসি লাকও ঈরাওখোল তন্না হলসিওন উচেক্কুম

থদৎলসি হৌনদবগী চৎনদবা রাখল।

# অদুঙৈগী কৌক্রুদো

কৌক্রু চীংগী চীংদোন্দা ইবানীনা
শাগৎলম্বা উনাগী খাংপোক
নীংশিংলিবরা মনোরমা ?
- এলাংবম নীলকান্ত

অদুঙৈগী কৌক্রুদো নৎত্রে হৌজিক–
চাকথেকখ্রে নুংশিহৈতনা উনাগী খাংপোক
করাম্নবগী লম্মৈনা মীহিংচাগুম,
কেনখ্রে লৈরাংপূম্বা শাৎঙমদনা লৈকোলদগী...
মনোরমা, নঙদি হৌজিক
কাংখোং চাইরবা মণিপুর পুন্সিগী বলিনি
লানফম ওল্লবা সনা লৈপাক্কী লান্নীনি...

তারিবরা, চীংলোন মাপলনা লাওরকইবা হিক্লা হিক্লা
মনোরমা-মনোরমা হায়না,
ঈখেংনা ঈচেল ওইরবা লোক্তাক ঈপাক্কী হিহোনবনা
খুল্লং ঈশৈ কাওখিদুনা নঙগী মীংলেনতবু শোল্লি লাইশোন ওইনা...

খল্লুগনু মনোরমা,
অরেম্বা ওইগনি নঙগী কথোক্লবা পুন্সি ;
ঈগী খাংপোক্তা ঙাল্লক্কনি নোংমদি শোয়দনা
অরংবা মঙালগী সনা মচুগী নুমিৎ অমা
হুল্লকখিনি য়েন্নিং অকংবা উপালশিংদা
হায়নরকখিনি শোয়দনা শান্তি পাম্ব বিশ্বনা-
'সনা লৈপাক্লি মণিপুরসে।'
শোয়দ্রবনি...শোয়দ্রবনি...

(আসাম রাইফেলসনা মীহিংচাগুম শরাক শান্নদুনা হাৎখিবা
মণিপুরী লৈমা 'থাংজম মনোরমা'বু নিঙশিংদুনা)

## নোংমা ঐখোয়না

নোংমা ঐখোয় লৈরম্মী লোয়নাইদ্রবা অমম্বগী ঈরাওখোলদা লুপ্লুনা

... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ...

নোংমা ঐখোয়না ফজরবা পৃথিবী'মগীদমক খুরুমলম্মী
নোংমা ঐখোয়না ঙাঙ্গ্রানবা নুমিৎ অমগীদমক খুরুম্লম্মী
নোংমা ঐখোয়না থৌনা ফরবা পুন্সি অমগীদমক খুরুম্লম্মী

... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ...

মাইওন খঙদ্রবা পুন্সিবু থাদোক্কুনা, থাদোক্কুনা কঙাওনবা মতম্বু
নোংমা ঐখোয়না পৃথিবীদা হিংবগী য়াথং নীজখি

... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ...

নোংমা ঐখোয়না ঙাঙ্গ্রানবা নুমিৎ অমগী ফজবদা ঙাওজখি

... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ...

... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ...

অমসুং ঐখোয়না তমখি হাৎনবা, নুংশিবা,তুকচ্চবা, চানবীবা
তমজখি মীৎ লংখৎপা, স্বার্থগী খোল্লাও, হুইগুম চিক্লবা

... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ...

অমম্বা নোংগী মপৈনা কূপশিনখি খঙহৌদনা ঙাঙ্গ্রানবা নুমিৎকী মঙাল

... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ...

... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ... ...

অদুদগী লোয়নাইদ্রবা অমম্বগী ঈরাওখোলনা কূপশিনখি ঐখোয়গী পুন্সিবু



CamScanner

# নুংশিরবা পুঙগী মখোল

লৈচিন্দা ঈরূপচৈ লৈচিললৈমানা নীংতম্না
থোৎলবা হকচাংগী স্বর্গদা শান্নজৈ লৈচিলসু হরাওনা
ও অহীং নঙদি য়েংনিংদ্রা মোইবুং হকচাংগী ফজবদো
ও থানিল নঙসু নমনিংদ্রা শাৎকায়রকপা লৈহাউ-লৈনমদো
মোইবুং হকচাংনা ঈরোয়রি লৈচিলগী সমদ্রুদা...
শুক্ষৎখিবা লিক্লা শিন্থরকই পিরাং ওইনা চদুম চদুম
অদুদগী, তপ্না তপ্না মমশিনখি থাজ মাইথোং
শকফম কায়রকখি মোইবুং হকচাংগী

অথাপ্পদা তাবা ফংঙি রাস লীলাগী নুংশিরবা পুঙগী মখোল।



CamScanner

## চাকহৈদ্রবা থম্মোয় চাকথেক্ই

মখুৎ অনিনা মঙলান ময়াম ইন্থোক্কুনা চখৎলি মাঙদা মহাক
মাগী চরনদা ভক্তি কৎচৈ থানিলগী অমম্বনা
চয়েৎনবা পুন্সিগী কম্পোজিশন কায়থরকই মচেৎ মচেৎ

মহাক
লৈরাংগী লৈপরেং লেংজৈ থম্মোয়দা
মাগী মীৎকী লৈনাদা তোংলৈ অশংবা থরান মীচাক্কী আতিয়া
অমসুং খুদক্তা
পূর্নিমাগী থাজ কায়থরক্কুনা
মচেৎ অনি
    মচেৎ অহুম
        মচেৎ মরী
অদুদগী শজিবুগী অকংবা ঊনা কেনবগী মখোল
অদুদগী গন্ধারীগী মচা চামগী কায়না-তেংথাখোল
ইতিহাসকী 'ট্রোয়'না মাগী মীৎমাংদা চোংথোরকই।

চাকহৈদ্রবা থম্মোয় চাকথেক্ই, চাক্থেকখিদে নুংশিবদি।

## চমন্নরবা ৱাখলগী মৈখু

মতম্মদা ঐগী য়াম্না নক্না লৈরম্মী নঙ
অদুবু শোক্তুনা য়েংলুদে নোংমতা
নঙগী থোৎ-নৌরবী মোইবুং হকচাং
থম্মোয়গা-থম্মোয়গতা শোক্লরুই
ৱাখলগা ৱাখলগতা তিন্নরুই।

মতম্মদা থাপ্লরকখি ইবানীগী থম্মোয়
হিপমিন্নরবসু ফমুং অমদতা
তিন্নরবসু কয়াৎ হকচাং
থম্মোয়গা থম্মোয়গদি তিন্নদে
ঈশিং থাউগুম থাপ্লখি ইবানীগী ৱাখল।

মচেৎ মচেৎ চিংখায়রকখি নুংশিবগী পৃথিবী
খ্রক খ্রক কংশিল্লকখি থম্মোয় সমদ্রু
অসিদবু করম্ননো হিংগদবা ইবানীনা...

নুংশিববু হিংহনসিরা
ইবানীবু হিংসিরা ?

## খংঙি

চেতনাগী লম্বেলদা চেল্লি মহৌশাগুম উশিৎত্রবা স্কুটর
অদুদগী ঐসু –
মীওইবা ঐ
নিংঙমদবা ঐ
ঐসু চৎলি লম্বেলদুদা ইরাই লুকথদুনা- কীথুক কীরুম,
নিংঙমদবগী গ্রাফনা হিমালয় থেংলবসু
ঐদি অদুম চৎলি হৌনবীগুম- হৌদোং হনুবাগুম
মরমদি–
ঐদি নমথীরবা পৃথিবীসিবু খংঙি
ঐদি তুকচ্চরবা খুন্নায়সিবু খংঙি
ঐদি তমথীরবা মরূপ মপিজাশিংবু খংঙি
অমসুং ঐদি–
ঐগী শাগোন্নরবা চরিত্রবুসু ময়েক শেংনা খংঙি।



CamScanner

## ঈহৌফম

হৃষিকেশ লৈখিদ্রে, অদুবু
গঙ্গাদি চেল্লি হৌজিকসু
অথাপ্পগী চীংচেপ্পু শোক্তুনা
খব্রাংনরবা পুকচেল অনিগী তপ্পবা তমথাদা

ঐখোয়গী খোঙ্গুলসু চেহুরি
পুঙ্গিগী শেংলবা ঈচেলগুম
শংবানরবা মীৎকী রাদারনা লাম্বা ফংদ্রবা জগৎতা
অঙৌবা নুংদুম অমসুং অমুবা নোংগী মপৈগুম

নুমিদাং অমদা
নঙগী হকচাংগী ফজরবা স্বর্গদা
থম্লুই ঐগী খুৎশা মঙা
মীহৌরুদে গঙ্গাগী ঈচেলবু অদুনা।

# লোইনাইদ্রবা পেবেৎকী ৱারীগী অরোইবা তাঙ্কক

মৈতানগুম্ববা নুমিদাং–
নোকফেৎ তৌরকখি
লৈনা থুংলবী উচেক্লুম য়াঙ্গংলবী থাজনা
মঙক থিন্দোরকপদা নোং মপৈ মরক্তগী
নোকফেৎ তৌরকখি পৃথিবীসু,
নোকফেৎ তৌবা ঙমখিদবদি ইবানীতনি-
নুমিদাংনা মৈতান ওনবদা খুদোং চাখিবা ইবানী...

অঙকপগী ময়েক ময়াম্না ইথোকপা
লোইনাইদ্রবা পেবেৎকী ৱারী...
ইবানীগীসু...

নোংগী মরুমদা লোৎখি থাজ
থম্মোয়গী মরুমদা থম্মোয়...

# থুগাইয়ু

থুগাইয়ু... থুগাইয়ু ... থুগাইয়ু
...থুগাইয়ু নঙ...

অমুবা ক্বাককী খোল্লেক য়াদ্রবা খোম্থাং ঈ-না ভাংলবা মীওইবগী থম্মোয়
নখুৎ অনিনা থুগাইয়ু থম্মোয়গী চাকখেক্লবা অমম্বা
হকচাং মনুঙগী শরূ শোক্কুনা শিষ্ফরক্লিবা লিক্লা-পিরাং

মঙলানবু থুগাইয়ু শেমগৎলু মঙলান
হিংবগী মঙলান্না মঙলাক্লরবা নঙ
নুং থুগায়বগুম থুগাইয়ু নুংশিবা মঙলান

থুগাইয়ু অয়ুক্কী ফজরবা শক্তম অমম্বা অহীংগী তমথীবা মাইথোং
থুগাইয়ু চৎনবীবু নিঙায়দনা
থুগাইয়ু নঙবু, নঙগী থম্মোয়বুসু

থুগাইয়ু... থুগাইয়ু ... থুগাইয়ু
...থুগাইয়ু নঙ...

# ননস্টপ সার্ভিস

লৈ শাৎলি, লৈ কেল্লি- মতমগী হৌনশানি খংঙি ঐসু, অদুবু ঐগী মীৎতা উদে লৈ শাৎপা, লৈ কেনবতা উদুনা লৈরবা ঐগী তমথীরবা মীৎসিনা করম্ননো য়েংলুগদবা অতিয়াদা। অতিয়া মহাকসু কেনদুনা তারক্লবদি খুইথরবা লৈগুম। মীৎকী ৱাফমতসু নত্তে, থম্মোয়দসু ফাউরকই তৎতনা কেম্লবা লৈরাংগী চৈনাখোল...

ঐগী তিন চংলবা মীৎনা
নোংমা উবা ফঙখি নঙগী ফজরবা শক্তম
বস মনুংদা নঙনা ফম্লম্বা ইনাক্তা...
অসিবু মঙরা, তাইবংরা ?
ফুম্বংনরবা ঐগী থম্মোয়বু
(কেম্লবা লৈরাংগী চৈনাখোলতা ফাউদুনা লৈরবা থম্মোয়)
করান্নবা তম্বিখি নঙনা বসতা ফন্না ফন্না
নুমিদাংগী অমম্বা বস...
মুশি মুশি নঙগী মাইথোং ...মুশি মুশি ঐগী মাইথোং
থোইবী চীং কাশি লাউ ঙসিদি...

চেল্লি বস...চেল্লি থম্মোয়... চেল্লি খুৎ
নৌরবী চীংলম্বীদা ননস্টপ সার্ভিসতা।

# চীননা শিবগী অকিবনা

ৱাহৈ খরা হায়নিংলম্মী
নখোয়দা
হায়খিদ্রিবা
ৱাহৈ
খরা
তাদুনা লৈ ৱাহৈশিংদো
থম্মোয়নুংদা
ঐগী
অ্যাশট্রেগী উৎ ওইনা
মতম
কয়া
কয়া
মতম কয়া কুইরবা ঐ খঙদে
(তশেংনমক ঐ খঙদে)
ওইরম্বা য়াই চহী মঙা
তরা
নত্রগা পোক্লকপদগী শাগোন্নরকপা
অদুগীসু মমাঙদগী
লাইরেন মথেক্কুম্বা ৱাহৈ নত্তে, ইচম চন্না অচুম্বা
ৱাহৈ খরদনি

অদুবু
হায়বা ঙমখিদ্রে ৱাহৈ খরা নখোয়দা
হায়গে খল্লম্বা
কৈ-না শিবনা খোঙ্গুলনা
মী-না শিবনা চীননা
পাউরৌ অসি নিংশিংলুবদগী
চীননা
শিবগী
অকিবনা।



CamScanner

## মতমগী হরিনাম

"সর্ব ধর্মান্ পরিত্যাজ্য মামেকং শরণং ব্রজ।
অহং ত্বাং সর্বপাপেভ্যো মোক্ষয়িষ্যামি মা শুচঃ।।"

"অকনববু খুরম্মু, অশোনববু তুহৎলু
তুহৎলু অশোনববু, খুরম্মু অকনববু"

"লৈতবদগী লৌশল্লু, অরৈবদা পিশল্লু
পিশল্লু অরৈবদা, লৌশল্লু লৈতবদগী"

হৌজিক কালদা মুক্তি ফঙগে খল্লবদি
নাম মন্ত্র অসে মতম পুম্বদা শোল্লু
নামগী য়াথং ইন্দুনা চৎলু
নত্রবদি নপুন্সি অদো
খাংঙুথক্তা কেমজরবনি কাউগনু।

পুন্সিরোলগী নাম মন্ত্র পুক্লিং চংনা চৎনহল্লু
নাম অসিনা হৌজিক্কী মতমগী মুক্তিনি।
গুরুগী য়াথংনি...

# মণিপুর লৈমা

ফেড ইন

## সীন-১

অঙনবা অয়ূক।
ইং-তপ্পা মীকপ থোক্লরক্লী মরিল খুঙ্গংগী মীওইশিং।
উচেক খোঙলি।
মুশি মুশি ঊবা ফংঙি থোঙাইবম চীং...
চীংখৈ হুল্লক্লে
লৌমীশিং লৌবুক কুম্নবা শেম শারী...

কাট টু

## সীন-২

থোংঙাইবম চীংজীন্দা অশিবা হকচাং'মা তাদুনা লৈরম্মে।
চিবোন চিবোন ঙাংনরকই...
মীকুপতা খুঙ্গং শিন থুংনা চাইথোকখি পাউ অদো...
কনাগীবু ওইরবা, নুপীগীনিদি হাইরি
হকচাংসু য়াম্না শোক্লম্মে
মীহিংচাশিংনা শরাক শান্নরম্বগী মওংনি...
মুরূম মুরূম শোন্নে খুঙ্গংগী অহল-নহাশিং।

মিক্স টু

য়ূমথোং খুদিং কপ্পা-লাউনবগী মখোল তাগনি
নহারোলশিং তিঞ্জৎনরক্কনি
পুলিশ লাক্কনি
মী ময়াম কোইচেন চেন্নগনি...

কাট টু

## সীন-৩

চীক্লবা অহীং।
বামন কম্পু ময়াই লৈকাই ইম্ফালগী
লৈখিদ্রবা থাংজম থাংজম বিহারীগী শঙ্গায়।

দূরদর্শনদা অহীংগী খবর তাবা লোয়দুনা তুমনবা শেম-শাখ্রে
থাংজম মনোরমা চনু হেন্থোই...
চিক্লবা লৈকায় অদো তুমখুন তান্নখ্রে...

কাট টু

সীন-৪

থক থক নিক্লা ইমুংদা ফমদুনা লৈ
চহি ৬০ য়ৌরবী অহল খুমনলৈ
হেন্থোইগী পলেম অপোকপী,
মনাক্তা উংদুনা লেপ্লি দলেন্দ্র অমসুং বাসু;
তুমথবদা ঙাঁয়রিবা মনোরমাদি নিদ্রা দেবীগী তম্পাক্তা
নুঙায়না তুমখুন তাল্লি ...
মপালদগী থোঙ নিক্লিবসে কনাবু ওইরিবা
আর্মি-পুলিশ-য়াওল্লুপ...
ৱাখল খনবগী মতম ফঙহৌদে,
থোঙ থুগায়দুনা ঈচাওবা ঈশিংগুম হাজিল্লকই
১৭ আসাম রাইফেলসগী ফোর্স খরা...
আহ ! হাবিলদার সুরেশ কুমার ...

কাট টু

(ইমুংদগী নুপী খোঞ্জেলদা কপ্পা-লাউবা তাগনি।)
থাংজম মনোরমাবু ফমুংদগী চিংথদুনা পুথোরক্লগা
নুংশি হৈতনা ওৎ-নৈবীরি আসাম রাইফেলসকী মীহিংচাশিংনা,
লাউরী-কপ্পী তুশোল্লবী মণিপুরী চনু

মনোরমা

নীংতম্না ওৎ-নৈরী মহাকপু
কনানা তাবীগনি শোল্লবী নুজাগী তেংথাখোল
অদুদগী
ফাদুনা পুখি হেন্থোইবু...
অদুদগী–
অঙনবা অয়ূক্তা মনোরমাগী অশিবা হকচাং
থোঙাইবম চীংগী চীংজিন্দা...

কাট টু

থক থক নিকখি পৃথিবীগী হকচাং
থোঙাইবম চীংজিন্দা
তেংথাখি উচেক ওয়া-প্রকৃতিনা ;



CamScanner

অদুবু, নোংমৈ পাইরিবা থম্মোয়শিংদুদি
নোকখি মীহিংচাগী মীনোক মহৌশাগুম...
অদুদগী
মাহেখোল ময়াম পুন্দুনা
ওইরকই শিংনবগী অকনবা খোল্লাউ
ইম্ফাল সহরদা, লৈরকশিংদা, খুঙ্গংশিংদা, চীংদা, তমদা
নিল্লকই অপুনবা খোল্লাউনা আসামদা, দিল্লীদা
নিল্লকই বাংলাদেশতা, মিয়ানমারদার শান্তি পাম্বা মণিপুরীশিং–
মিলিটারী টেরোরিজম লেপ্পু,
হ্যুমেন রাইটসবু খোঙ্গাউনবা তৌবিগনু,
মণিপুরগী মীচমদা ওৎ-নৈবা তৌবিগনু,
মণিপুরদগী 'অফসপা' লৌথোকপীয়ু,
অদুদগী,
প্রোটেস্ট রেল্লি, কর্ফিয়ু, হাঙ্গার স্ট্রাইক, বন্দ...

**টেম্পরারি ফেড আউট**

[ ফাইনাল ফেড আউট নুমিৎ অদো করম্বা মতমদনো
সেলুলয়েদ অসিগী... পুন্সি অসিগী...]



শেরাম নিরঞ্জন, বাংলাদেশকী মনিপুরী সাহিত্যদা
অনৌবা য়াওলগী লুচিংলিবা কবিনি।
শৈরেংদা নত্তনা ব্ৰারী মচা অমসুং নৈনবা ব্ৰারেংনা
চিংবা চাং নাইনা ইবিরি।
১৯৬৯ দা হবিগঞ্জ জেলাগী মনুং চনবা
বিশগাঁও খুঙ্গংদা পোকপনি।
বাংলাদেশ মণিপুরী সাহিত্য সংসদ
সেন্ট্রাল কমিটিগী প্রেসিদেন্ট ওইবীরি।
অহানবা শৈরেং লাইরিক 'মঙ মপৈ মরক্তা'
১৯৯৫দা ফোঙথ্রে।

CamScanner